# এন ৱাই সী, কে ৱাই সী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ ঃ জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিএশন (জেদ এফ এ) না শিন্দুনা থাংমৈবন্দদা লৈবা থাও স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চখরিবা ১০ শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী মেচতা এন ৱাই সী নমদুলোং অমসুং কে ৱাই সী কলালোং মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অয়ূক শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা মেচতা এন ৱাই সী নমদুলোংনা এল বি ৱাই সী লোংমাই গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এন ৱাই সী নমদুলোংগী শান্নরোয় গৈপুইলান দাংমৈনা প্লেয়র ওফ দ ক্বার্টর ফাইনেল মেচকী মনা ফংখি। মেচ অদুদা এন ৱাই সী নমদুলোং অমসুং এল বি ৱাই সী লোংমাই অনীগী শান্নরোয়শিংনা যাম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙমখিদে।

যাম্না কম্পিটিটিভ ওইখিবা মেচ অদুদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হাফ মতুংদা লাল্লোং কয়া তৌদুনা অমনা অমগী মায়োক্তা অকনবা এটেকশিং চখুদুনা গোল চন্নবা হোৎনখি। মেচ অদুগী ৫৫ শুবা মিনিটতা এন ৱাই সী নমদুলোংগী গাইপুলান দাংমৈনা টিমদুগী মায় পাকপগী গোল চনখি।

এন ৱাই সী নমদুলোংনা গোল মাঙজিল থানা লৈখ্রবদা গোল শোখরিবা এল বি ৱাই সী লোংমাইগী শান্নরোয়শিং অদুনা গোল হন্দোক্ল বগীদমক যাম্না কন্না শান্নরকখি। অদুবু এল বি ৱাই সী লোংমাইগী শান্নরোয়শিংনা গোল চন্নবা ফনা কন্না হোৎনরবসু গোল চনবা ঙমদনা মেচ মায়থীহৌখি।

ঙসি নুংথিল শান্নখিবা মেচ অদুদা কে ৱাই সী কলালোংনা সী আর ৱাই সী চীংমৈরোং গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা কে ৱাই সী কলালোংগী শান্নরোয় থাইমৈ কচুংগাইনা প্লেয়র ওফ দ ক্বার্টর ফাইনেল মেচকী মনা ফংখি।

সী আর ৱাই সী চীংমৈরোং অমসুং কে ৱাই সী কলালোং অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচ অদুগী অঙনবা মতমদগী হৌনা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা গোল চন্ননবগীদমক যাম্না কন্না শান্নখি। মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা গোল চন্ননবা ফনা কন্না হোৎনরবসু মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

মেচ অদুগী হাফ মতুংদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা গোল চন্ননবগীদমক অকনবা এটেক চখুনরকখি। মেচ অদুগী ৭১ শুবা মিনিটতা কে ৱাই সী কলালোংগী শান্নরোয় পানমৈ দিজিয়োন্না টিমদুগী মায় পাকপগী গোল চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচ অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা এন ৱাই সী নমথানলোং অমসুং জি এফ সী গাইদিমজাং অনীনা শান্নরগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা দি ৱাই সী দিমদাইলোং অমসুং এস এস ৱাই সী সওঙ্কুং সাইরেম অনীনা শান্নরগনি।

## মণিপুর সোফ্‌ট বোল টিম শেম্নবগী ত্রাইএল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ ঃ মথং চহীগী জানুৱারী ৭ তগী ১১ ফাওবা ওরিষাগী কটক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা নুপা অমসুং নুপীগী সব জুনিয়র নেসনল সোফ্‌ট বোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা মণিপুর টিমগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয়শিং খন্নবগী ত্রাইএল কম সেলেক্সন কেম্প অমা থা অসিগী ২৭ তগী হৌরগা দিসেম্বর ৪ ফাওবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মণিপুর সোফ্‌ট বোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাইএল কম সেলেক্সন কেম্প অসি অয়ূক্কী পুং ৬.৩০ তাবা মতমদগী হৌগনি। মখা তানা মণিপুর সোফ্‌ট বোল এসোসিএশনগী এফিলিএটেদ ক্লব অমসুং য়ুনিটশিংগী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াবা য়াগনি।

অমরোমদা মণিপুর সোফ্‌ট বোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা হৌখিবা তাং ১১ দগী ১৩ ফাওবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা নুপা অমসুং নুপীগী ২৮ শুবা সব জুনিয়র ষ্টেট সোফ্‌ট বোল চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিংনা হায়রিবা ত্রাইএল অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি।

মরম অদুনা শান্নরোয়শিংনা মশা মশাগী ফুল কিটসকা লোয়নননা ত্রাইএল নুমিৎ অসিদা রিপোর্ট তৌরগদবনি। লোয়নননা ত্রাইএল অসিদগী খনগৎলবা শান্নরোয়শিংনা দিসেম্বর ৬ তগী পাঙথোক্কদৌরিবা নন রেসিদেন্সিএল কোচিং কেম্পতা শরুক য়াগনি হায়রি।

## নেসনল কৌশু চেম্পিয়নশিপকী ত্রাইএল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ ঃ

চহীসিগী দিসেম্বর ১৭ তগী ১৯ ফাওবা কর্ণাটাকাগী কোনুং বেঙ্গলোরদা লৈবা সরজাপুরগী থিনলু গেটতা লৈবা টি ভি এস পেলেসতা পাঙথোক্কদৌরিবা মঙারকশুবা ইন্দিয়া নেসনল কৌশু চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা মণিপুরগী টিম শরুক য়ারুনবগীদমক শান্নরোয়শিং খন্নবগী ত্রাইএল সেলেক্সন অমা দিসেম্বর ৪ গী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর কৌশু কুংফু এসোসিএশনগী সেক্রেটরি এল রঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ওল মণিপুর কৌশু কুংফু এসোসিএশন্না শিন্দুনা নাচৌ বজার কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাইএল কম সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা অকূপ্পা মরোল এসোসিএশনগী সেক্রেটরি এল রঞ্জিৎতগী খঙলবা য়াগনি।

হায়রিবা ইন্দিয়া নেসনল কৌশু চেম্পিয়নশিপ অসিদা নুপা অমসুং নুপীগী মিনি, সব জুনিয়র, জুনিয়র অমসুং সেনিয়রগী কাঙলুপ্তা পাঙথোক্কনি। মরম অদুনা ত্রাইএল অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা ত্রাইএল নুমিৎ অসিদা মতম চানা লাক্লবা খঙহল্লক্লি।

## সাইনা নেহৱাল হোংকোং ওপন্দা লৈহৌরে

কোলুন, নবেম্বর ২৫ ঃ

সাইনা নেহৱালনা মফম অসিদা চখরিবা হোংকোং ওপন সুপর সেরিজ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা লোকেল ফেবরাইট চে য়ুং ঙান য়িগী মখূৎতা ৮-২১, ২১-১৮, ১৯-২১ দা মায়থীদুনা লৈহৌরে।


মায় পাকখ্রবা চে য়ুং ঙান য়িনা সেমী ফাইনেল মেচতা ইন্দিয়াগী এস সট্টলর পি ভি সিন্ধুগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। লন্দন ওলেম্পিক্কী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সাইনানা মেচ অদুগী অনীশুবা গেমদা মায় পাকপা ঙমখ্রবসু অহানবা অমদি অহুমশুবা গেমদা মায়থীহৌখি।







HL-B/3433/30 to 29 Nov




HL-B/3430/23-26

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৩০

1. টেষ্ট ক্রিকেট চাম্মা হেন্না শান্নরবা নুপা অমনা টেষ্ট ৱিকেট অমখক্তমক লৌবা ঙমখি। শান্নরোয় অদু কনানো?
2. ওলেম্পিক্তা শরুক য়ারুবশিংগী মনুংদা লৈবাক অমগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা অহানবা নুপা অদু কনানো?
3. অহানবা আসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট হোকি টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা মণিপুর টিমগী গোলকিপর অদু কনানো?
4. মহাক ওলেম্পিক্তা শরুক য়াদুনা ভোল্লিবোলদা সনাগী মেদল ফংখি। চহী খরগী মনুংদা মহাকপু অতোপ্পা লৈবাক অমগী কোচ ওইনবা নেল্লম্মী। ওলেম্পিক অমদা মহাক্না কোচ ওইরিবা লৈবাক অদুগা মহাক মশামক্কী লৈবাক্কী টিমগা শান্নবদা মহাক্না কোচ ওইবা লৈবাক অদুনা থোইদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। কোচ ওইখিবী নুপী অদু কনানো?
5. পোলো শান্নবগী মওং অমা উৎলিবা শক্তম অসি করি লমগী মশান্ননো? ☞




মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ০২, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৩০ গী পাউখুম অমখক্তমক চুম্না পীরকপনা ক্যুইজ অসি অমুক হন্না অচুম্বা পাউখুম পীবিরক্লবা হঞ্জিনজরে।**

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ২৭, ২৮ অমসুং ২৯ গী খুদোলপোৎ দিসেম্বর ০৪,২০১৬, নোংমাইজিং নুমিৎতা লান্থোকচরগনি।**




HL-B/3464/10/10-09/12